# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চহি অসিগী খ্বাইদগী শাবা অনিরকশুবা নুমিৎ ওইনা ঙরাং নোনে জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.১৯ ওইখি।

২) হৌখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডে নুমিৎতা অসামদা আই.ই.দি বোম পোকখায়হন্নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা মীওই ১৫ অসাম পুলিস অমদি এন.আই.এনা ফারে।

অমসুং

৩) আমেরিকাদা লৈরিবা ভারতমচাশিংগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা আমেরিকাদা অনৌবা ইন্দিয়ান কন্সুলেট অনি হাংদোক্লগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে।

------

শাবা (এল)ঃ চহি অসিগী খ্বাইদগী শাবা অনিরকশুবা নুমিৎ ওইনা ঙরাং নোনে জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.১৯ ওইখি। ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না ঙরাং চুরাচান্দপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬.১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫.৮২ য়ৌনা শাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, কাংপোকপী অমসুং

সেনাপতিদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ গী মথক্তা শাখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.৩২ অমসুং তমেংলোং জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.৪১ য়ৌনা শাখি।

স্বাচতা (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী মখাদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবা লু নানবা, মীয়ামদা ভাব তাহনবা অমসুং উ চারা থাবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। কেম্পেন অসিগী ঙরাং ৬ নি চনবা নুমিৎতা ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ককচিং ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হাইৱে-১৩৭ (এ)গী রোড মেদিয়ান অমসুং লম্বীগী নাক য়েৎতা লম-তু শেংদোকপগী থবক চত্থখ্রে।

অমরোমদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কৈরক্কী নুপীশিংনা নেসনেল হাইৱে ১৩৭ (এ)গী কৈরক বাবু লৌখোং মপাদগী কৈরক তোমাল মখোঙ মনিং ফাওবগী লম্বী শেংদোকখ্রে। মদুদা শিন্থাঙম্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন, কৈরক অমদি লৈমারেন্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কৈরক্কী নুপী ৩০০ লোমনা শরুক য়াখি।

ইরাবোত (এল)ঃ ইরাবোত সেলেব্রেসন কমিতি ককচিংনা শিন্দুনা জননেতা ইরাবোত নিংশিং থৌরম ঙরাং ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ১ দগী হৌনা থাবুম অমা চুপা চত্থগদৌরিবা জননেতা হিজম ইরাবোতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। মণিপুর ইমাগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপা থা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি থোকচোম তোম্বা, সেলেব্রেসন কমিতি অসিগী চেয়ারমেন য়াম্বেম সৈত্য, সি.পি.আই ককচিংগী সেনিয়র লিদরশিং শরুক য়াখি।

ধনুবে (এল)ঃ  মণিপুরগী ধনুবে কাংজমনা রাজস্থানদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মিস য়ুনিভর্স ইন্দিয়া ২০২৪ গী বেষ্ট নেসনেল কষ্ট্যুম বাই পিপলস চোইসকী মনা ফংলে।

জয়পুরদা  ঙরাং পাঙথোকখিবা গ্রান্দ ফিনালেদা গুজরাতকী রিয়া সিংহানা মিস য়ুনিভর্স ইন্দিয়া ২০২৪ গী টাইটল লৌখি। মহাকা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা মিস য়ুনিভর্স ২০২৪ দা শরুক য়ারগনি। অহানবা রন্নরসঅপনা প্রাঞ্জল প্রিয়া অমসুং সেকেন্দ রন্নরসঅপনা চাভি ভর্গনা তারে।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পিছকী থৌরম নহাল চান্দেল জিলাগী আইবোল-জোপী, ফোইলেন্দ, কোবাং, নিউ সোমতাল অমসুং সেলোন ভিলেজশিংদা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওদোকদুনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমসুং স্কুল মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা মীওইবগী সেবাদা শরুক য়াবা ওইনা থা অসিগী ২০ দা জেনিমস হোস্পিতালদা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওই ১ দা আসম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা ঈ য়ুনিত মরি পীখি।

উখ্রুল জিলাগী সোরদে ভিলেজদা ঙরাং লিন্না চিকপা মীওই অমদসু অনা লায়েংগী মতেং পাংখি।

অসাম ঃ    হৌখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডে নুমিৎতা অসামদা আই.ই.দি বোম পোকখায়হন্নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা মীওই ১৫ অসাম পুলিস অমদি এন.আই.এনা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুং নুপী অহুম য়াওরি। মখোয়গী

মনুংদা ৬ না দিব্রুগর অমসুং লখিমপুরদগীনি। জোরহাৎ অমদি গুৱাহাতিদগী মীওই মরি মরিনি।

পিএম ঃ মীরৈবাক্তা লৈরিবা ভারতমচাশিং অসি রাষ্ট্রদুতশিংনি হায়না শিংথারদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- মখোয়না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী কনবা গ্রান্দ এম্বেসেদরশিং ওইরি।

নিউয়োর্ককী লোং আইলেন্দদা লৈবা নাসাউ কোলিজিয়মদা মশিং য়াম্লবা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অমসুং আমেরিকাগী লৈনরিবা মরীদা আমেরিকাদা লৈরিবা ভারতমচাশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। এ.আই অসি আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স হায়বা ওইরবসু মহাক্কী ৱাখল্লোনদদি আমেরিকান-ইন্দিয়ান স্পিরিত হায়বনি হায়না থাজরিবনি। আমেরিকাদা লৈরিবা ভারতমচাশিংগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা আমেরিকাদা অনৌবা ইন্দিয়ান কন্সুলেট অনি হাংদোক্লগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি রাজস্থানগী জয়পুরদা সৈনিক স্কুল অমা শঙ্গাগনি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- সরকারনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সৈনিক স্কুল ১০০ লিংখৎনবা পান্দম থল্লিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা সৈনিক স্কুল অসি শঙ্গাগদবনি। থবক অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারশিং, প্রাইভেট স্কুলশিং অমদি এন.জি.ওশিংগী মতেংগা লোয়ননা কন্না হোৎনরি। মন্ত্রালয়না অনৌবা সৈনিক স্কুল ৪৫ পার্টনরসিপ মোদতা লিংখৎনবা অয়াবা পীরে। হায়রিবা স্কুলশিং অসি সৈনিক স্কুলস সোসাইতিগী মখাদা চপ চাবা চৎন পথাপশিং ঙাক্তুনা চলাইগনি।

মীফম ঃ  নুমিৎ নিনি চখুগদবা ১০ সুবা কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসনগী ইন্দিয়া রিজন কনফরেন্স ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি।

মীফম অসিদা লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সভাপতি ওইগনি। তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী লাকপা প্রিসাইদিং ওফিসার ৪৬, চেয়ারমেন ৪, অধ্যক্ষ ২৫, দিপ্যুতি চেয়ারমেন ৩ অমসুং উপ-অধ্যক্ষ ১৪ না মীফম অসিদা শরুক য়াগনি।

শ্রীলঙ্কা ঃ  নেসনেল পিপলস পৱারগী লুচিংবা  অনুরা কুমারা দিসানায়কনা শ্রীলঙ্কাগী অনৌবা রাষ্ট্রপতি ওইরগনি। রাষ্ট্রপতিগী মীখলগী অনিসুবা রাউন্দগী ভোৎ মশিং থিবদা মহাকা বিরোধি লুচিংবা সমাগী জনা বালারেগায়াগী সজিথ প্রেমাদাসাবু চাউনা মায়থিবা পীখিবনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না হান্নগী রাষ্ট্রপতি রানিল ৱিক্রমাসিংঘে মায়থিহৌরে হায়না লাউথোকখ্রে। নহাল পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রপতিগী মীখল অদু ঈথৎ লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী শান্তি লৈনা পাঙথোকখিবা মীখলনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোংদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বেঙ্ক ওফ বরোদাদগী লুপা কোতি মরিরোমগী সনা হুরানখ্রে, মেনেজর য়াওনা মরি ফারে। নোংমগী মীওই ৩৩ গী চাংদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইরক্লি, দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা মীয়ামা চেকশিনবা মথৌ তাই: শাপম রঞ্জন। ম্যান্মারদগী ত্রেন তৌরবা কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ মণিপুরদা চংশিল্লকখিবগী আর্মিনা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী দিটেল ইনফোর্মেসন কৌরকখ্রে। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী চৈথেং মায়োকরে, লৈতানপোকপী অৱাং লৈকাইগী য়ুম ২৩ লোম নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্কুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়বা পাউশিং

অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

বেঙ্ক ওফ বরোদাদগী লুপা কোতি মরিরোমগী সনা হুরানখ্রে, মেনেজর য়াওনা মরি ফারে হায়বা পাউনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নোংমগী মীওই ৩৩ গী চাংদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইরক্লি, দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা মীয়ামা চেকশিনবা মথৌ তাই: শাপম রঞ্জন হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউশিং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমদি মণিপুরী ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ম্যান্মারদগী ত্রেন তৌরবা কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ মণিপুরদা চংশিল্লকখিবগী আর্মিনা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী দিটেল ইনফোর্মেসন কৌরকখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুরগী নিউজগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী চৈথেং মায়োকরে, লৈতানপোকপী অৱাং লৈকাইগী যুম ২৩ লোম নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্কুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ষ্টেট ম্যুজিয়মনা চহি ৫৫ ফারকপগী পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

মিজোরমদা চিন ষ্টেটতা লৈবা লুপ ৪ গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নখে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ওক্তোবরদা এন.এস.সি.এন(আই.এম) অমসুং ইন্দিয়া ৱারী শান্নদৌরি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ড্রগ লোর্ডশিংনা আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈবদা শেন্থং পীরি হায়বা এক্স-দি.জি.পিগী ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অহুন্নক শুবা নেসনেল লোক অদালটতা লুপা ক্রোর ১.৪৭ হেনবগী কেসশিং লোইশিনখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মহারাজা লৈশেম্বনা উ থাবগী থৌরম মিসন লাইফতা শরুক য়াখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- এক্সপরিয়েন্সিয়েল লার্নিং অমদি ইনফোটেনমেন্ট সেন্তর অমা তমেংলোংদা হাংদোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- নোনেদা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেন পাঙথোকখিবা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------